**ৱারেং**

# কবুই জাতিগী গান–ঙাই

**দি এল কবুই**

**মণিপুরদা** খুন্দারিবা রিকগনাইজ ট্রাইব ৩৪ য়াওনা জাতি ৩৬ রোম অসিগী মনুংদা গান–ঙাই পাঙথোকপা জাতি খরা লৈরম্বা য়াই। অদুবু কবুই জাতিগী গান –ঙাই (গান–কুম্মৈ) অসিদি ময়েক শেংনা লৈজে। গান ঙাইগী মরমদা হৌখ্রবা চহী ২৬ রোমগী মতম জানুৱারি ৬, ১৯৯৩ ইংগী নুমিদাং পুং ৬.৪৫ তাবা মতমদা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী খুঙ্গংগী থৌরমদা মণিপুরী লোন্দা দি এল কবুইনা মিনিট ১০ ৱা ঙাংখি। মদুদগী গান –ঙাইবু হাও হরাওবা হায়না খঙনরম্বদু তোকখ্রে। হান্নদি, মহাবলি কবুই খুল হরাওবা, মোইরাংখোম কবুই খুল হরাওবা, কৈশামথোং কবুই খুল হরাওবা অমদি হাও হরাওবা হায়না খঙনরম্বনি। অসুম্না মথং মথং চত্থরক্তুনা ১৯৯৪ ইংদা কবুই ধর্ম্ম সভা মণিপুরনা গান ঙাইগী য়াইফ পাউজেল প্রেসতা থাদোকখি। ১৯৯৫ ইংদসু সংস্থান অসিনা গান ঙাইগী য়াইফ পাউজেল প্রেসতা থাদোকখি। পাউচেদা ফোঙখি। কুম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণরনা গান–ঙাইগী য়াইফ পাউজেল অহানবা ওইনা প্রেসতা থাদোকখি। পাউচেদা ফোঙখি। মথংদা হৌজিক্লা আই এস টি ভি হায়না খঙনরিবসি, আই সি টি ভি হায়রিঙৈ মতমদা গান–ঙাইগী মরমদা দি এল কবুইনা ১৯৯৮ ইংদা মণিপুরী লোন্দা অমুক্কা ৱা ঙাংখি। মদুদগী গান–ঙাই (অঙানবা –কুম্মৈ) অসি অমুক্কা হেন্না মীয়ামদা পাক শন্না খঙহন্ননবগী খূদোংচাবা ফঙখি। মসিগী মমাঙদা সেপ্টেম্বর ১৮, ১৯৮৩ ইংদা কখুলোং জুনিয়র হায় স্কুল, ইম্ফালদা গান–ঙাইগী মরমদা খন্ন–নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি। এ আই আর ইম্ফাল অমসুং আই সি টি ভিদা ঙাংখিবা ৱাফম খরা লৌখৎচরগা মখাদা থমজরি।



গান–ঙাই হায়রিবা কুম্মৈ অসি কবুই জাতিগী হরাও কুম্মৈশিংগী মনুংদা পাখঙ লৈশাবীনা য়াম্না পামজনা হরাওজবা শিংথাবা য়াবা কুম্মৈ অমনি। গান–ঙাই অসিদা পাখঙ লৈশাবীদা নত্তে, অহল–লমন, মৌ, নুপী অঙাং পূম্নক্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈবা কুম্মৈ অমনি। চুম্না হরাও তয়াম্বতা নত্তনা গান–ঙাই মনুংদগী লমচৎ, ব্যবহার, হৌন–লোনচৎ খঙলকই অমদি মীগী সেবা হৈতবা পাখঙ লৈশাবী কয়া গান–ঙাই মনুংদগী হৈরকই। মমা–মপানা ৱারকপা ঙমদবা পাখঙ লৈশাবী কয়া পাখঙ ফাল, লৈশা ফালদা ৱারক্তুনা লমচৎ কয়া চুমথোকপা ঙম্মী হায়নবা লৈ।

গান–ঙাই মনুংদা 'লাগঙ' লাই পূম্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ য়াওই হায়না কবুই ধর্ম্ম চৎপা কাঙলূপ্না থাজনৈ। মরম অদুনা হরাওরিঙৈ মনুংদা ইরাৎ পুজা অমদি অতৈ লাই তিনগী থৌরম তৌবা য়াদে। অদুগীসু মথক্তা পাখঙ লৈশাবীশিংনা নত্তবা ৱাখল, নত্তবা লমচৎ অমদি চেন–চোংবা য়াদে। করিগুম্বা চেন–চোংবা তারবদি চেল্লিবা অমদি লৈশা লাকপশিংগী মথক্তা চৎনবী মতুং ইন্না মতিক চাবা ৱারাক কোংহল্লি। মরম অদুনা পাখঙ লৈশাবীশিংনা মদু ঙাক্লা চৎনৈ। অদুদসু নত্তনা "বানজা" হনুবা কারবা অহলশিং নত্তনা ময়ূমদা তুম্বা য়াদে। মখোয়শিংদি ময়ূমদা তুমজরবসু নুপা–নুপী য়ূম্বানবগী মরী লৈনদে, মশানা ঙাক্লা চৎপা ঙম্মী, মরম অদুনা ময়ূমদা তুম্বনি। মসি য়াম্না চেৎনা গান–ঙাইগী মনুংদা ঙাক্লা চৎনৈ। কনাগুম্বা ময়ূম পাল্লবা নুপা অমসুং পাখঙ অমনা পাখঙ ফান্দা তুমদনা ময়ূমদা তুল্লবদি, নোং ঙাল্লগা পাখঙশিংনা ময়ূমদা তুম্বগী লক্না ঈশৈ শক্তুনা চৎকনি। মসিবু কবুইনা 'কাইজিপ লাওমৈ' হায়না খঙনৈ। চৎনবী মতুং ইন্না কোংফম থোকপা কোংহল্লি। মসি অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা নুপাদা ফাওবা তৌই। মসি য়াম্না ইকায়নৈ। অরোইবা নুমিত্তা "রাং–পম্মৈ' থৌরমগীদমক খনগৎপা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অসি য়াওবা য়াদে। ব্রহ্মচার্য্য ঙাকপনা লাগং (ঈশ্বর) ফঙই হায়বসি কবুইনা থাজে।

অদুদসু নত্তনা পাখঙ ফানগী ইমুংদা নুপী মীরোলবী য়াওরবসু পাখঙ অমত্তা হায়রিবা "রাং–পম্মৈ" থৌরম অসি তৌবা য়াদে। ময়ূমদি পাল্লবা নুপাশিংগী মরক্তগী খনগৎকনি। মসিনা তাকপদি গান–ঙাইগী থৌরম ঙাক্তনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহম্বোক য়াম্না পাক চাউনা লৈখ্রে।

কবুইগী ৱারীদা মৈহৌরোন্দগী মৈ অসি তাইবঙ মীনা শীজিন্নদুনা লাকচরবসু মৈথাং লৌদুনা শীজিন্নরম্মী। মৈ পুথোকপা হৈরমদে। মৈ অসি লাইগী পোৎনি, লাইমক্লি হায়না লৌই। মৈ মুৎখ্রবদি ইমুং অমদগী নিদুনা লৌরুরগা শীজিন্নবসি চৎনরম্মী। মৈ অসি মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা পোৎ অমা ওইবনা কনাগুম্বা অমনা মৈ পীযু হায়না নিরবদি মৈ লৈনা লৈনা পীদবা তৌহৈদে হায়নবা লৈ। কবুইগী অঙাংশিংনা শান্নবদা মৈ নিবগী ৱাঙাং ৱাতা শীজিন্নদুনা শান্নবা মশান্না অমা লৈ। মসিসু অচৌবা খুদম অমনি।

কবুইনা থাজে, মীগা লাইগা পুন্না লৈমিন্নরম্বদগী মীগা লাইগা খাইদোক্নরে। অদুবু মালেম অসিদা লৈবা জীব পূম্নমক্তি লৈমিন্নরি, লোলসু অমত্তদা খঙনরি। অদুবু লাগঙ লাইনিংথৌনা লাংওল্লক্তুনা তাইবঙ মীবু লমজিং লমতাকপীরম্লবা মতুং মৈ অসি কনানা শীজিননগদগে, হায়না মত লৌখি। মদুদা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙম্বনা মৈ শীজিন্নজরসনু হায়না য়ান্নরে। মরম অদুনা জীব পূম্নমক নমিৎ লোয়না খুমজিল্লো হায়না খুমজিলহল্লে। অদুগা মৈ লোয়না লোৎশিনখ্রে। জীব অতৈনা মৈ পুথোক্লবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকখিদ্রে। মীগা কৈগদা ঙাইরে। কৈনা মৈবা হান্না চিংই মৈখু ফাওবদি থোকই অদুবু মৈদি পুথোকপা ঙমদনা তোকখ্রে। মথংদা মীওইবনা মৈবা চিংদুনা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙমখি। মদুদগীদি মীওইবা নত্তনা জীব পূম্নমক মৈ য়াওদনা হিংবা ঙম্নবা, ইংদনবা মৈতান অহিংবা অমমম লোয়না পীজরে, অদুগা চৎহনখ্রে। মসি ৱারী য়াম্না শাংনা লৈখ্রে। মীওইবনা অনৌবা মৈ পুথোকপা ঙম্বা অদুদা ঙমখে লৈতনা হরাওখি। মীওইবনা মৈ পুথোকপা ঙম্লমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না মৈদগী অঙকপা ফঙনা কান্নবা ফঙলিবসি ফঙলম্লোইদবনি। মালেমদা চাউখৎপগী মঙাল পীরিবসি মৈগী মপান্ননি। অদুনা মৈ শীজিন্নবা ফঙবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা হরাওবা কুম্মৈ অদুবু গান–ঙাই হায়না কৌই। গান হায়বদি অঙানবা হায়বনি, ঙাই হায়বদি কুম্মৈ হায়বনি।

## শৈরেং

### আশা

– *রাজকুমারী মীনা*

আশা নঙগী ৱাখলনি ঐনা হিংলিবা
নঙগী মঙলান্দনি ঐনা তাওজরিবা
নহাক্ননি ঙাওহল্লিবা ঐবু তত্তনা
থৌজানবীরক্কনি নোংমদি শোয়দনা।

আশা নঙগী ৱাখলদা লেপ্লি
অৱাংবা দলান অমগী মতোন্দা
পাইরি অতৎ–অখম লৈতনা
পুবিরি নঙনা ঐবু মফম খূদিং।

ফুম্বংনরবা ৱাখল কয়াগী পান্দম
থুংহনবিরক্কনি নোংমদি শোয়দনা
তত্তনা নৈনরি ৱাখলসিনা নঙগী মরমদা
পম্বুং কয়াগী ৱাহং কয়া চোংথোরকই ইমাঙসিদা।

লৈররোই নীংই ৱাখলদা পূম্নমক
অদুবু লৈতবা অমত্তা লৈহন্দে নঙনা ঐগী
চাকখৎলক্লিবা চাউরবা মৈরিশিং অসি
হৈথবীরক্কনি নঙনা অইংবা পাউজেল কয়া।

মুৎনাইদ্রবা নঙগী নুংশিবগী তুংনফম নতম্বাক্তা
খাঙজরিবনি ঙসিসু হৌজিকসু চৈথেং কয়া
পুথোকপীদ্রবদি অনৌবা খোঙথাং কয়া নহাক্লা
মুৎখিবা তারেনে মালেমসিদগী পূম্নমক।

### লম্বী

– *লাইশ্রম দেবেন*

লম্বীসিদৈ লাম্থোকপা ঙম্লোই
ঙম্না চৎনখি আ–মমাঙদৈ,
চৎনরি ঙসিসু থাদোকপা লৈতনা
পম্বুংদা পোত্থাখি শান্তি ফঙনখি।
শেন্নম্বা লম্বীনি লাই হাক্তক্তে
শান্তিগী লম্বী হায়নসু খঙনৈ
কাম্থোকপা লাম্থোকপা ঙমদে কনাসু
কনানা কৌনৈ পূন্সি লম্বী
তাইবঙ লম্বী মানা মানা পাম্বা।
লাক্লদি হনখিনি চৎখিনি লম্বীদা
পম্বুংনি পূন্সিগী শান্তি লৈকোল
মীকপ থোক্লোই য়াতাখিবি
পূন্সি লম্বী শেংল ' লম্বী।

### নঙবু নুংশিদনা

–*ডা. এন সি শান্তা*

নঙবু নুংশিদনা
নুংশি হায়বা ঙমখিদরা
নঙবু খোয়দাদনা
নঙগী মায়থোঙ য়েংখিদরা?
শুগৎলসু নীংথিজে
নোক্লবসু মফজে
নঙনা ঐগী পূন্সিনি
নঙনা ঐগী থৱায়নি
নোক্লোনে ফজবী মায়থোঙনা
কাউহল্লো ঐগী অৱাবসে
নঙতগী ৱাখলদা ঙাওজরিবনি
নঙগী য়াইফ পূন্সিনা
ওইরিবনি ঐগীসু য়াইফবা।

### ৱাকৎচে

– *বীজয় মঙাংচা*

ৱাকৎচেনি ৱাকৎচে
শৎ পীশিল্লকই ইফমদা
মশাদো থক থক নীক্লদুনা
মমিৎ মৈবুল ঙাং
অকি শক্তম উৎলদুনা
খুদক্তা পাঙথোকউ
অরোইবা ৱারেপনি হোংদবা
নমথাক লৌনম য়ারোই
অচুম্বা ৱায়েল পাংথোকউ
শক্তি লৈবা খোঞ্জেলনি
লূম লূম লাওবা
নীংখিবা হায়খিবা হোংদে
খোঙফম চেৎনা লেপ্লি
মমিৎ মনা চোয়থোক্ত্রে
অহৌবা নুংশাশ্বর হোল্লি
অকি তুজুংবা পোক্ত্রে মশাদুদা।

### শোয়দ্রিঙৈ তোকসি

*ইরোম মোবি*

এরোপ্লেন কয়া পাইখৎলকই
কয়া অমা পাইথরকই
ইম্ফাল ময়োল মথক লান্না।
মী কুংবা মফমনি
কৈথেল য়াম্না ফম্বনি
দুকান য়াম্না হাংবনি
বঙ্গলো কয়া শাবনি
প্রেস কয়া মথৌ তৌবনি
লোয়শঙ কয়া লৈবনি।
খূদোংথিবা থোক্লোই হায়ঙমদে
চেকশিনহৌবনা খ্বায়দগী ফবনি
ইম্ফাল ময়োলথক্তা পাইদবা ফৈ।

### অচুম্বা

–*মাইস্নাম বীযেশ্বর*

অরানবনা অচুম্বা শক্নরি
অচুম্বা মফম ফঙনদ্রবা
অশোনববু অকনবনা তুহৎপিরবা মতমনি
অরানববু শৌগৎপিনি চুম্মী হায়খিনি
অচুম্বগী মফম ফঙজদ্রবা মফমনি
ৱাচৎ ৱানোম্বা হৈহৌদবা শেল পায়হৌদবা
অৱাবা কোমদা পুখরবনি
পাঙ্গল লৈত্রবা হিংজনবা লম্বেল কদাইদনো?
অশেংবা অচুম্বা ঙাংঙুবদা
মীরৈহৎ ময়াম্না নোক্নবিনি
মীচং চংবীরোই হায়রুবা তাবিরো
তোংশিনবিনি শঙ্গ পাঙ্গল লৈবদুদা,
অরানবকা তাহৌনি, পীদৎ পাদৎপদা
অশেংবা ঙাংঙুবা অঙাওবদা তাহৌরে
লাল্লি খঙনা খঙনা মিচং চঙবিরোই
মরল মথুম পায়বা অরানবদা মীচং চঙখিনি
মসিনি হৌজিক কানগী হুল্লিবা শাহুম
শেনতবু মীহৌ মীকারবা মতমসে
মীরক মীচনথিকা ওইহৌরনি
পাঙ্গল থৌনা ৱাৎলবা মীশিংগীদি
অকনবনা অচুম্বা শক্নরবা মতমনি
অচুম্বা হায়বসে মাঙখ্রবনি
লাক্লরোই মপোক কয়ারক্তা নৌহৌননা
অশেংবা লাইবক লোয়খ্রে লাক্লরোই।

### মীওইবসু ককচেংনি

–*মোহসিন এ আর*

হিংনবা হোৎনরি অৱাবা পোক্তনা
নোংজু, নুংশা খায়দনা
থৱায় মচা অমখক্কী
তানশিনবনা ইরন্নি,
তুংশিনবনা ইপোৎনি
হিনবগীদমক হোৎনরি মীওইবনা ।
হোৎনবা কনবা ককচেংগুম্না
পম্বুঙ য়ৌনা চৎলি,
চীঞ্জাক খরা ফঙনবা
অৱাই অখুম তৌনদে
মাগী মাগী মায়কৈদা
চৎলি শঙ্গু শঙ্গু
অখুবা মখুল অমদা
লোয়না পুল্লি, লোয়না লৈনৈ।
নোংজু থাগী মতমদা
ইচাওদুগী মরক্তা
লোয়না কোন্নৈ, লোয়না হিংমিন্নৈ
পীখ্রবা থৱায় ময়ামদো।
মীওইবসু চপ মান্নৈ
ঐগী অচুম্বা মায়কৈদা
কনাবুসু হৌনদনা, হিংনবা হোৎনৌ নহাকসু
শুবা কনবা, হোৎনবা কনবা,
শাংলবা পূন্সি কয়াগী
চাকখাও মরী ফগনি
তুংলমচৎকী ৱারীনা
থৱায় কয়াগী মোমোন মীনোক ওইগনি।
বাজারদুগী মায়োন্দা কৃক– কৃক ইন্নরি,
মতম মাঙহনবা নত্তে ইন্নরিবদো,
লম্বী কয়া থিবনি,
হিংনবগীদমক মীওইবনা
চীঞ্জাক্তবু থিবনি
থবক্তবু ঙাইবনি।
মতম লৈরিঙৈ তানশিনবা
ককচেংগীদি মথৌনি
পাঙ্গল ফরিঙৈ হোৎনবা,
মীওইবগী পুক্কৈনি,
মীওইবসু ককচেংনি।

### পূন্সি খোঙচৎ

– *ককচিংতাবম শ্যামসুন্দর শর্ম্মা*

মহাক'দু মী কৌগদ্রা,
মী'দুগী পূন্সিদা ঈশৈ শক্ত্রবা।
মদুবু মন্দির কৌগদ্রা,
মন্দিরদা লৌশিংগী ঈশ্বর লৈত্রবা।
মদুবু লৈকোল কৌগদ্রা,
লৈকোলদা মনম নুংশিবা লৈ শাৎত্রবা।
মদুবু কলম কৌখিগদ্রা,
অচুম্বা ইতিহাস ইদ্রবা।
মদুবু লৈয়েং কৌখিদ্রা,
অনৌবা যুগকী ৱা ঙাংদ্রবা।
মদুবু অফবা লাইরিক কৌগদ্রা,
মীয়াম্না পানিংবা ফাওদ্রবা।
মদুবু অহাওবা য়েনশাং কৌগদ্রা,
য়েনশাংদুনা থুম য়াক্লবা।
মদুবু অফবা ছাত্র কৌগদ্রা,
পরিক্ষাদা নত্তবা পাম্বে শীজিন্নরবা।
মদুবু অফবা ওঝা কৌগদ্রা,
স্কুল চাং নাইনা কাদ্রবা।
মাদুবু হিরোই কৌগ্রা,
হি তোংলগা ঈপাক লানঙমদ্রবা
মদুবু করম্বা পূন্সিনো
পূন্সিদা অকা অকুম লৈত্রবা।

## তাবুনুংদগী

*অঙনবা মতমদা লোক্তাক পাৎকী অয়াম্বা শরুক ঈশিং ওইরগা মরক মরক্তা ইশং শংবা ফুমদিগী লম্পাক মচা মচা লৈদুনা খূৎ চঙনা শেম্বা ফৈদোমগুম ফজরম্মী। হৌজিক্কী লোক্তাক ফুমদিনা অয়াম্বা কুপশিল্লগা মরক মরক্তা ইরং মচানা কেকু লোৎপা শান্নগুম্বনি। ঙল্লিঙৈগী ঈমায়না মকা লাপ্লিঙৈগী লোক্তাক্কী ফজবা মহাকবি অঙাংহলনা মহাক্কী "খম্বা থোইবী শৈরেং" দা শৈথাবদু ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।*

মতমদুদা নিংথিবা লোক্তাক মিংসে তাগুম্বা
লোক্তাক খোঙবান অদুগী লাইজ কংথখিবনা,
চাংদোন ঙৌরপ তাবনে। দুগী মরক মরক্তা
মোংশোং মচা মচানা অরিবনা মাঙখিবা
হানৌ নৌনা চোংখিবা। থাপ্তক নক্তক লম্পাক্লা
তৎন–শম্ন লৈরিবা।... ...
... ... ... ...
ঈশিং কংফান তাইনবা লোক্তাক মাগী খোঙবান্দা,
তুগী খোংগী মনুংদা মপান ওইবা কয়াদা
লোক্তাক কম্বোং মনানা অনৌবদি শকফম্নি।
ঈশিং ওইবা শরক্না অমুক নৌনা নিংথিবা
... ... ... ...
ঈশিংদুগী মবুক্তা ফুমনা মতুপ মতুপ ওই
হুপ্নৌ চিদাই খোমদুনা তুম্পক তুম্পক তাওরিবা।"

*কাও, লমায় ৩৮১–৩৮২।*

## মণিপুরী পাম্বৈ–পাউরৌ, পাউত্তাক

* **খাঙবা কনবগী মফমদা অৱাবনা লিংজেল হাপ্পী।**
  – অৱাবা থেঙনরিমখৈ লিংজেল পানবা হেনগৎলি।
* **খাঙবগীসু পনখৈ অমা লৈ।**
  – খাঙবা ঙম্বগীসু চাং অমা লৈ।
* **খাঙেনফম য়ৌরবা কান্দা মীৎকপ থোক্লকপা**
  – শিরুরে হায়না খন্নরুরবা মীদু থাজদনা অমুক হিঙ্গৎলকপা।

– মাঙবা য়াবা মাঙহল্লা কোন্না জ্ঞান তারকপা।

* **খ্বাই য়াইস্কুল পানা মরি পুন্না তিল্লে**
  – মায়কৈ খূদিংগী মী ময়াম তিল্লবা।
* **খ্বাইরম্বন্দদা খোঙ হান্নগা থাঙ্গনা উচিরাই কাবা।**
  – মীগীদমক ৱাবিবা।
* **খাঙেনফম য়ৌরগা মায়বা কৌবা**
  – মতম লোয়রগা কান্নখিগদ্রা হায়দুনা কন্না হোৎনবা

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

## চানক্য নিতি

– বেদগী জ্ঞানবু হুল্লিবা, শাস্ত্রগী তুং ইন্দুনা হিংববু নোক্নরিবা, অইংবা–অতপ্পা মীবু থীনা হায়রিবা মীদো অৱাবা ফংবনি, (মখোয়না তৌরিবদুদগী তোংজবা লৈতবনি)।

– দান তৌবনা লায়রবা কোক্লে, লমচৎ ফজবনা খুদোংথীবা কোকহল্লি। লৌশিংনা খঙদববু মাঙহল্লি অমসুং থাজবনা অকিববু লাকশিল্লি।

– অপাম্বগা মান্নবা লায়না লৈতে, শুক্ষৎপগা মান্নবা য়েক্লবা লৈতে, অশাউবগা মান্নবা মৈ লৈতে, জ্ঞানগা মান্নবা নুংঙাইবা লৈতে।

– মীনা মতোমতা পোকই মতোমতা শি, মশাগী অফ–ফত্ত কর্ম ফল মশানা চাজে। মশানা নরক তাজে, নৎত্রগা মোক্ষ ফংজে।

– ব্রহ্ম খঙবা মীনা স্বর্গবু নাপীগুম খল্লি, অথৌবশিংনা পুন্সিবু নাপীগুম খল্লি, ইন্দ্রিয় খুদুম চনবশিংনা নুপীবু অদুগা সংসারদা পাম্বীদ্রবা মীনা জগৎপু নাপীগুম খল্লি।

– লংফৈদা মহৈনা মরুপ্পি, যূমদা নুপী (মতু) না মরুপ্পি, নারগনা হিদাক্লা মরুপ্পি অদুগা শিরবদি ধর্মনা মরুপ্পি।

– সমুদ্রদা তাবা নোং অরেম্বনি, পুক থল্লবদা চীঞ্জাক অরেম্বনি, লল্লৈবদা পীবা অরেম্বনি অদুগা নুংথিলদা থানবা মৈ অরেম্বনি।

– নোংগী ঈশিংমুক শেংবা লৈতে, আত্মগা মান্ননা পাঙ্গনবা লৈতে, মীৎকা মান্নবা মঙান লৈতে অদুগা ফৌগা মান্ননা নুংশিবা লৈতে।

–লায়রবনা লন পাম্মী, শানা ৱা ঙাংনীংই, মীওইবনা স্বর্গ পাম্মী, লাইনা মোক্ষ পাম্মী।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

## মণিপুরী পাউখোং

***ঙসিগী পাউখোং ঃ***

২৯৬। খাখোং–লাইখোং–মরোংখোং হায়নরিবসি করিনো? নৎত্রগা পাখোং–লাইখোং–মোরোংখোং হায়নরিসি করি খোংনো?

২৯৭। মীওইবগী চীঞ্জাক মখল অমগী মমিং য়াম্মীবসি (ক) মী মমিংগা মান্ননা থোনবা, খ) লম মমিংগা মান্ননা থোনবা, গ) মওং, মচু লৌরগা থোনবা, ঘ) শক্তি, মপাঙ্গলগা মান্ননা থোনবা অসুম্না তৌবননি। হায়রিবা পোৎসি করিনো? মমিংশিংদু করি করিনো?

২৯৮। তাপ পায় খুত্তা পায়বা, তাপ পাই নমদা পাই নানা পাৎতা তোপ তাই করিনো?

২৯৯। পাখঙ অমনা লৈশাবী অমা উনবা লাকই লৈশাবীদুসু পাখঙদু লাকই খঙনা খঙনা থোরক্তে। কুইমন্দুনা ঙাইরকপদা ৱারদুনা পাখঙদু অসুম্না শাওনা হায়রম্মগা চৎখি "ইবেম্মা ওত্তনা থোঙবী চৎচরগে।" লৈশাবীদুনা খুম্মী "তাদা ইবুঙো ফম্মা নুংগুম্বা চৎলা নুংশিৎকুম্বা লেঙবিরো।" অনীসিনা ঙাংনরিসি করি হায়নরিনো?

***মমাঙ নোংমাইজিং (২৯–১২–২০১৯) গী পাউখোং ফোঙবা ঃ***

*২৮৭) চৎনবী, লো, ৱাশক, অসিনচিংবা, ২৮৮) খুজিন শংবা, ২৮৯) শিরমদাইগী মতমদুনি, ২৯০) মীদুগী থৱায়নি, ২৯১) য়ূম পান্দ্রিঙৈদা মমা মপানি, য়ূম পাল্লগনা মাগী মপুরোইবনি, নৎত্রগা লোয়নবীনি, মচা পোক্লবা মতুংদনা মচানি। ২৯২) য়ূমগী ইমুংগী ইশাগী ফিভম খঙলগা অমসুং লুনা চান্না তিন্নরম্বা মরূপনা য়েক্লবা ওইরকপা। ২৯৩) পূক্লিং অমসুং থম্মোয় শোনবনি, ২৯৪) সিনেমা, ২৯৫) ক্বা চাবনি।*

## চয়োলসিগী ফাগী

**রাজনীটিৱালাগী মচিন!!**

রাজনীটি দল অমখক্কী, লুচিংবশিং য়াওনা কাঙবু খরা, মীফম অমগীদমক্তা খরা লাপ্পা মফম অমদা পুন্না বস তোংদুনা চৎমিন্নে। লাইবক থীবদগী বস গাড়ীদু লম্বীদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মখোয় অয়াম্বা অশোক–অপন নংনরম্মী। থৌদোক্তুগী পাউদু মথং নুমিৎকী খবরশিংদা ময়েক চাউনা ইদুনা ফোঙনরক্লম্মী। মদুদা খবর অমখক্নদি– "... অতোংবা পূম্নমক অশোক অপন নংনখ্রে" হায়দুনা ফোঙলকখি। মদুগী মতুংদা শোকহৌদবা নেতা অমনা খবরদুগী এডিটরদা টেলিফোন তৌরকই– হল্লো এডিটর, ঙরাংগী এক্সিদেন্টতা শোকপদি মীওই খরদনি অদুগা অদোম্না লোয়নমক শোক্লে হায়বীরিবসি করম হায়না খোম্বীরুরিবা পাউনো?

এডিটর – অদোম্বু কনা ওইবীরবনো?

নেতা – ঐসু বসতুদা তোংখিবা নেতা অমনি অশোক–অপন য়াওনদবা ঐখোয় কয়ামা য়াওনরি, ইশামকসু করি অমত্তা শোকহৌদে, মতুংদদি পাউ ফোঙবীবসি খরা খরা ...

এডিটর – অমুক্তা তপথবীখো, অদোমসু রাজনীটিগী নেতা অমনি হায়বীরি, নেতাশিংনা অচুম্বা ঙাংবসিবু কৈদৌঙৈ য়াওখ্রবগে, অদুনা অদোম্না হায়বীরিবদু ঐহাক্কী ওইনদি থাজবা ঙমজদে।

**মাগী মাগী!!**

নুপী চেনবা অহল মশেল য়ানদবদগী অঙম তান্ননরক্তুনা, নুপাদু পুলিসনা ফারগা কোর্ট তান্না জিপ অমদা পুখৎলকই। মদুদা,

ড্রাইভর – অস সার ঙসিগী থৌদোকসি নৎলমদ্রবদি সোরাৎ অমখক্তং পোৎয়েং ঙহাক্তং থিঞ্জরুগে খঞ্জরম্বনি।

আই ও – ঐসুনিনে মরী মতাশিং অমগী ফিরোই য়াওবা ফংদ্রবনিনে, মদুই হায়রদি মসি অঙাংসি মনম হেক তৎহন্নীংজাৎনি (হায়না–হায়না নুপাদুদা ওনশিন্দুনা ধপ তৌই)।

নুপা – (পেরি–পেরি) সার ঐগীদি লুহোংবা কায়রিসিদি!!